# নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকহনবা হায়বসি ইন্দো-পেসিফিক্তা মরা তপ্পা ফিভম লিংনবগী প্রিকন্দিসননি: য়ুন

সিওল, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় নত্ত্রগা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম থাদোকহনবা হায়বসি ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা মরা তপ্পা ফিভম লিংনবগী প্রিকন্দিসন অমনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়ুলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমদি করিগুম্বা নোর্থনা দি ন্যুক্লরাইস তৌনবা ৱারেপ লৌরবদি মহাক্কী লৈবাক্না অঙম্বা মতেং পাঙননবা হৌজিকসু মখা তানা শেম শাদুনা লৈ হায়খ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুননা ৱাফম অসি কম্বোদিয়াগী কেপিটেল নোম পেনদা পাঙথোকপা ইষ্ট এসিয়া সম্মিট অমদা ফোঙদোকখিবনি।

সম্মিট অদুদা এসোসিএসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ন নেসন্সকী মেম্বর ষ্টেটশিং অমদি সাউথ কোরিয়া, য়ুএস, জপান অমসুং চাইনা য়াওনা দাইলোগ পার্টনর নিপানগী লুচিংবশিং পুনখি।

প্রসিদেন্ট য়ুননা হায়খি, মদুদি ইন্দো-পেসিফিক্তা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনগে হায়রবদি নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা হঞ্জিন হঞ্জিন ৱার্নিং পীবা লৈনা লৈনা করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল কাপ্পা নত্ত্রগা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট অমা পাঙথোরকপা তারবদি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা অকনবা রেস্পোন্স পীগদবনি হায়না মহাক্কী ওফিসনা প্রেস রিলিজ অমদা ফোঙদোকখি।

দিন্যুক্লরাইজেসন কম্মিটমেন্ট উৎলকপা মতমদা নোর্থতা মতেং চাওনা পীগনি হায়বা য়ুনগী ইনিসিএটিবকী মতাংদা পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, মতম পুম্বদা সাউথ কোরিয়ানা নোর্থতা দাইলোগ চথুনবা থোং লাউনা হাংদুনা লৈ। করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা দি ন্যুক্লরাইজেসনগী খোঙথাং লৌখৎলকপা তারবদি ঐখোয়গী থৌরাংগা চান্নবা অখাকপা লৈতনা মতেং পাঙগনি।

সাউথ চাইনা সীদা উংখৎনবা হেনগৎলক্কদবা খোঙথাংশিং লৌখৎতনবা আপিল তৌরদুনা য়ুননা হায়খি, মদুদি সী অদু ফ্রিদম ওফ নেভিগেসন অমসুং ওভর ফ্লাইটকী মপুং ফাবা খুদোংচাবা লৈবা রুলশিংদা বেজ তৌবা মেরিটাইম ওর্দরগী মতুং ইন্না মরা তপ্পা অমদি নুংঙাই য়াইফবগী লম্বী পীবা সী অমা হায়বদু ওইহনগদবনি।

য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা পল্লদুনা য়ুননা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা লৈবাক অদুদা লান্দারিবদু ইন্টরনেসনেল লো খোঙ্গাওনৈ। মদুনা য়ুক্রেনগী মীয়ামগী পুন্সি অমসুং হ্যুমেন রাইটসতা অচৌবা থ্রেট অমা পীরি। য়ুক্রেনগী সোভরেন্টি, টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি অমদি পোলিটিকেল ইন্দিপেন্দেন্স ইকায় খুম্নগদবনি। সাউথ কোরিয়ানা লানগী চৈথেং নঙলবা লৈবাক অসিদা পীবা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং হেনগৎলগনি হায়নসু সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি ময়াই চাইথরকপগী ফিভমদা নুংনাংবা উৎলদুনা য়ুননা লৈবাক অদুদা ফ্রিদম অমসুং দিমোক্রেসি অমুক হল্লক্লগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগা খুৎশম্নরগা সাউথ কোরিয়ানা ম্যান্মারগী মীয়ামদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং হেন্না পীরগনি হায়খি। য়ুননা অমুক হন্না মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইন্দো-ষ্ট্রেটেজি পান্দমগা চান্ননা সাউথ কোরিয়ানা ফ্রিদম, হ্যুমেন রাইটস অমসুং রুল ওফ লোদা থাজবা থমদুনা মখা তানা থবক তৌগনি হায়নসু অমুক হন্না ফোঙদোকখি।

# 'য়ুএসনা অথিংবা থম্বদগী ইরানিয়ন লিশিং কয়া কোভিদ ১৯ না নাদুনা শিখি'

টেহরান, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শেল থুম য়াওনা অথিংবা কয়া থম্বদগী ইরানিয়নশিংনা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্কী অহানবা চহী অনীগী মতমদা মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিং লৈবা ঙমদবদগী লৈবাক অসিদা মীওই লিশিং কয়াগী পুন্সি লোমখি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানগী টোপ হ্যুমেন রাইটস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানিয়ন হাই কাউন্সিল ফোর হ্যুমেন রাইটসকী সেক্রেটরি অমসুং ইরানিয়ন জুদিসরি ফোর ইন্টরনেসনেল এফিয়র্সকী দিপ্যুটি চীফ কাজেম ঘারিবাবাদিনা ৱাফম অসি ন্যু য়োর্কতা ইরানিয়ন মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবনি হায়না ইরানগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ইরনাগী রিপোর্টনা হায়রি। খোঙচৎ অদুদা মহাক্না য়ুএন জেনরেল এসেম্বলিগী অহুমশুবা কম্মিটি মীটিংশিংদসু শরুক য়াগনি।

ঘারিবাবাদিনা হায়খি, মদুদি ইরানবু ফাইনান্সিএল চেনেলশিংগী খুত্থাংদা শেল ট্রান্সফর তৌবা য়াহন্দ্রিবা অথিংবশিং অদুনা লৈবাক অসিবু কোভিদ ১৯ গী ভেক্সিনশিং অমদি মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিং পেন্দামিক্কী মতম অদুদা ইম্পোর্ট তৌবা ঙমহনখিদে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক খরনা হন্দক্তা ইরানদা থোকখিবা রাইওট মনুংদা ইরানিয়নশিংগী হ্যুমেন রাইটস শৌগৎলি হায়না ক্লেম তৌজরবসু য়ুএসনা মখোয় খক্কী ওইবা ৱারেপকী মতুং ইন্না শেল থুমগী অথিংবা কয়া থল্লিবা অমদি য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানসু মদুবু শৌগৎখিবা অদুনা ইরানিয়ন মিলিয়ন কয়াগী পুন্সিদা চাওনা শোকহনখি।

মশাবু হ্যুমেন রাইটস শৌগৎপশিংনি হায়না খঞ্জবা মরু ওইনা য়ুএস অমসুং নোংচুপলোমগী অতৈ লৈবাক খরনা মখোয় মশাগী লমশিংদা নত্ত্রগা অতৈ লৈবাকশিংদা অসিগুম্বা রাইটশিং পাক শন্না ভাইওলেট তৌই। অদুনা অসিগুম্বা ষ্টেটশিং অসি হ্যুমেন রাইটসকী ফ্লেগবিয়াররশিং ওইবা য়াগনি হায়না ঐখোয়না লৌদে।

ইরান অসি হৌখিবা চহী ৪০ হেন্না য়ুএসকী অথিংবশিংগী মখাদা লৈরকখি। অথিংবশিং অদু কুমজা ২০১৮ দা ৱাশিংতন্না ইরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা কুমজা ২০১৫ দা পুরকখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অমদগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী হেন্না কনশিলহনখিবনি।

# পাকিস্টানগী মরু ওইবা ৱারেপশিং লন্দনদা লৌরে: ইমরান

লাহোর, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

পাকিস্টানগী মরু ওইবা ৱারেপশিং হৌজিক লন্দনদা লৌরে হায়না পাকিস্টান টেহরিক-ই-ইনসাফকী চিয়ারমেন অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ফোঙদোকখ্রে। অনৌবা হান্নগী পিএম অসিনা মখা তারদুনা অনৌবা আর্মি চীফ এপোইন্ট তৌবদা মহাক্না ৱাথোক অমত্তা লাকহনখিবা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও লিঙ্ককী খুত্থাংদা হাকিকি অজাদি মার্চতা শরুক য়ারিবশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ইমরাননা হায়, লৈবাক্কী পিএম সেহবাজ সারিফ লন্দনদা নুমিৎ মঙানি লৈরক্লি। পাকিস্টানগী আর্মি চীফ কনানা ওইগদগে হায়বসিগী ৱারেপ মহাক্না লৌগদৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি য়েংলগা ঐখোয়গী অনৌবা আর্মি চীফ কনভিক্ট অমসুং মিচেল অমগা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপাশিং অমদি মচানুপীনা ঐখোয়গী অনৌবা আর্মি চীফ কনানা ওইগদগে হায়বসি লেপকদৌরি।

ইসাক দারসু কনামত্তনা মহাকপু ফারোই হায়না মহাক্কী হেন্দল্লরশিংনা থাজবা পীদ্রিবা ফাওবদি লৈবাক অসিদা হল্লকখিদে হায়নসু ইমরান খাননা ক্লেম তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফকী মচানুপাশিংনা মখোয় পাকিস্টানগী সিটিজনশিং নত্তে হায়রি।

মখোয়গী করপসনগা মরী লৈনবা পাউখুম পীবা ঙম্লোইদবা ওইবনা মখোয়না ৱাফম অসি হায়রিবনি। পানামা পেপর্সতা মারিয়ম নৱাজকী মিংদা পেলেস মরি লৈশিল্লম্লে হায়বসি উৎখি। লৈবাক অসিগী হুরানবশিংনা লৈবাক অসিগী তুংলমচৎকী মরমদা ৱারেপ লৌগদৌরি। মালেমগী চাওখৎলবা সোসাইটি খুদিংমক্তা মরু ওইবা ৱারেপশিং চহী ৩০ চুপ্পা লৈবাক্কী শেল হুরান্দুনা লাকপা মীওইশিংনা লৈবাক্কী মপানদা মরু ওইবা ৱারেপশিং লৌবা য়াই হায়বসি খনবদা থোক্তবা ৱাফম ওই হায়না খাননা ক্লেম তৌখি।

সারিফনা পাউচে অমবু মঙোন্দা ইকায়বা পী হায়না মরাল শীরবসু মদুগী রেস্পোন্সতগী লাকপা কোর্টকী প্রোসিদিংস মশামক্না ষ্টে তৌবীনবা হায়জখিবসি ইকায়নিংঙাইনি হায়নসু হান্নগী পিএম অসিনা ফোঙদোকখি।

# সেক্যুরিটিদা মীৎয়েং থম্বগী মহুত্তা সোসিও-ইকনোমিক প্রোব্লেমশিংদা ওইনা মীৎয়েং চঙনবা তকশিনখ্রে

কিভ, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

সেক্যুরিটিগী মতাংদা ঙাঙদুনা লৈবগী মহুত্তা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা সোসিও-ইকনোমিক প্রোব্লেমশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙননবা রসিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা জি-২০ দা তকশিনখ্রে।

রসিয়ানা য়ুক্রেনবু লান্দাবগী মতাংদা নোংচুপলোমনা পীগদৌরিবা ক্রিটিসিজম্না দোমিনেট তৌগদবা সম্মিট অমগী মাঙওইননা মোস্কোনা জি-২০ দা আপিল অসি তৌখিবনি। গ্লোবেল জিদিপিগী চাদা ৮০ হেন্না স্যের তৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমিশিংগী গ্রুপ অমা ওইরিবা জি ২০ গী মীফম চয়োল অসিদা ইন্দোনেসিয়াগী ঈথৎ বালিদা পাঙথোক্লগনি।

য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন য়াওনা নোংচুপলোমগী লুচিংবশিংনা সম্মিট অদুবু য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা রসিয়াবু কন্না চৈ থাংনবগী হাই প্রোফাইল ফোরম ওইনা শীজিন্নগদৌরি। সম্মিট অমগী মাঙওইননা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মদুদি জি ২০ না ৱাখলনা শাজিনবশিংদা মীৎয়েং চঙবগী মহুত্তা থাঙৈশেংবা হৌজিক মীৎমাঙদা তাদুনা লৈরিবা থ্রেটশিংদা ওইনা মীৎয়েং চঙবনা হেন্না মরু ওইগনি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, মদুদি জি-২০ না সোসিও-ইকনোমিক প্রোব্লেমশিং য়েংশিন্নবা তশেংনা হোৎনবা মথৌ তাই হায়বসি পুন্নমক্না শোয়দনা য়ানগনি। গ্রুপ অসিগী এজেন্দাদা লৈবাক কয়ানা ঙাঙনবগুম পিছ অমসুং সেক্যুরিটিদা হেন্না মীৎয়েং চঙগদবনি হায়বা ৱাফম অসি চৎনবা য়ারক্লোই। মসি য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেন্দেটপু হকথেংননা শীংনবা ওইনা থোক্কনি। লোয়ননা মসিনা জি-২০ দা লৈরিবা অমগা অমগা থাজনবা অমদি কো ওপরেসন পীনবগী এটমোস্ফিয়র অদুদসু শোকহনগনি।

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন হৌজিক য়াম্না মথৌ চিল্লি হায়না ক্রেমলিনননা লাউথোকখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা সম্মিট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা রসিয়াগী দেলিগেসন অদুবু লুচিংগনি। সম্মিট অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মোস্কোনা লান্দাখিবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা ওইগদৌরিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা লাভরোবনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু চৈরদুনা মখোয়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া মিলিটরাইস তৌনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি। মহাক্কী ৱাফম অসিনা জি ২০ গী সম্মিট অদুদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমদি মোস্কোগী মরক্তা অৱাই অখুম কন্না তৌনরকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

রসিয়ানা হায়রি, মদুদি বালিগী এজেন্দাদা গ্লোবেল ফুদ ক্রাইসিসনা মরু ওইবা শরুক অমা ওইগনি। মরু ওইরবা ব্লেক সী গ্রেন দিল নবেম্বর ১৯ দা মতম লোইগদবা ৱাৎলিঙৈদা বালিগী সম্মিট অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। মোস্কোনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা য়াম্না মরু ওইরিবা এগ্রিকলচরেল অমসুং ফর্টিলাইজর এক্সপোর্টতা অথিংবা পীরিবা সেঙ্কসন খরা কোমথোক্লবসু আপিল তৌরি।

অমরোমদা, য়ুক্রেনগী খা থংবা পোর্টশিংদগী হৱাই চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট তৌবদা খুদোংচাহল্লিবা দিল অদুগী মতম শাংদোকপগী ৱাফম মোস্কোনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াদ্রিবনি।

# 'টর্কিনা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা পিছ কোরিদোর অমা শেম্নবা হোৎনরি'

অঙ্করা, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং মরু ওইনা য়ুএসনা মোস্কোবু কায়হৌবগী থৌওংশিং চত্থজরবসু টর্কিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা পিছ দাইলোগ অমা হৌহন্নবা হোৎনরি হায়না টর্কিজ প্রসিদেন্ট রিসেপ টয়িব ইর্দোগাননা ফোঙদোকখ্রে।

ইর্দোগাননা থাংজ নুমিত্তা ৱাফম অসি পল্লদুনা সেমি-ওফিসল অনাদোলু এজেন্সিনা হায়, নোংচুপলোমগী লৈবাক মরু ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়াবু পনখৈ থমদবা মখৈ এটেক তৌরি। পুন্নমকসিগী মায়োক্তা রসিয়ানা রেজিষ্টেন্স পীদুনা লাক্লি।

য়ুজবেকিষ্টানদগী টর্কিদা পাইবা ফ্লাইট অমদা প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদগী হৱাই চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়াহল্লিবা অদুগা মান্ননা অঙ্করানা পিছ কোরিদোর অমা লিংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা লম্বীদি দাইলোগকী লম্বী অসিনি হায়না ঐখোয়না খল্লি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়না তৌগদবা খ্বাইদগী মরু ওইবদি গ্রেন কোরিদোর নীংথিনা ওপরেট তৌবা অসিনি।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তানা হায়, য়ুক্রেনবু মসিগী ব্লেক সীদা লৈবা পোর্টশিংদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি অতৈ লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়াহল্লিবা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিবতা মতমগী পনখৈ অমা থম্বা হায়বসি য়াম্না লানগনি। ঐখোয়না রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনদা দিল অদুবু মখা শাংথরিবমখৈ হেন্না ফগনি হায়বসি খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, য়ুএন অমসুং টর্কিনা ৱাতেমদুনা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিব অদু হৌখিবা জুলাইগী অথেংবা শরুক্তা য়ানখিবনি। ইনিসিএটিব অদুগী পান্দমদি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লান মরক্তা হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি লৌউ শিংউগী অতৈ পোত্থোকশিং এক্সপোর্ট তৌননবা ব্লেক সীদা মেরিটাইম হ্যুমেনিটরিয়ন কোরিদোর অমা লিংবনি।

# ইষ্টানবুলগী লম্বীদা বোম পোকখায়বদা মীওই ৬ শিরে

ইষ্টানবুল, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

নোংমাইজিং নুমিত্তা টর্কিগী সিটি ইষ্টানবুল সিটিগী মরু ওইবা সোপ্পিং ষ্ট্রিট অমদা থোকখিবা শাথিরবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙলে হায়না প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুবু মহাক্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। টেলিভাইস প্রেস কনফরেন্স অমদা প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা হায়খি, মদুদি এটেক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা ঐখোয়গী ষ্টেটকী মরী লৈনবা য়ুনিটশিংনা কন্না হোৎনরি। মী য়াম্না চিনখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক মফম অদু পুলিসনা কোর্দন তৌখি অমসুং সিটি অদুগী মথক্তা হেলিকোপ্টরশিং পাইখিবগা লোয়ননা সাইরেন খোঙবগী মখোলনা সিটি অদু নিনখি।

থৌদোক অদুগী ৱিটনেস সেমাল দেনিসি কৌবা মশাগী চহী ৫৭ শুরবা মীওই অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, ঐহাক্না শুপ্পগী মিটর ৫০ দগীনা ৫৫ ফাওবা লাপ্পা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা পোকখায়বগী মখোল তাখি। মীওই অহুম নত্ত্রগা মরি লৈমায়দা তাবা ঐহাক্না উখি। মীয়ামশিং মীপায়দুনা চেন্নখি, পোকখায়বগী মখোল অদুক্কী মতিক হৌখি। অমুবা মৈখুসু উবা ফঙখি। মমা মপা ওইবা কয়ানা মখোয়গী মচাশিং পমখৎতুনা চেন্নবসু উখি।

# ক্লিন্টন, ওবামাগা চাংদম্নবদা মিট টার্মদা বাইদেননা সিট মশিং খ্বাইদগী য়ামদনা মায়থীখি

ৱাশিংতন, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

দোনাল্ড ট্রম্পনা লুচিংলিবা রিপব্লিকানশিংনা ইনফ্লেসনগী মায়োক্তা অকনবা কেম্পেইন চত্থখিবা ওইরবসু য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অসি অমেরিকন হিষ্ট্রিদা মিট টার্ম ইলেক্সনদা সিট মশিং খ্বাইদগী য়ামদনা মায়থীবা নঙবা অহানবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়রি।

রিপব্লিকান অমসুং দিমোক্রেট অনীমক সিট ৪৯-৪৯ ফঙদুনা মেজোরিটি ফঙনবগীদমক দিমোক্রেটশিংনা অরিজোনা নত্ত্রগা কালির্ফোনিয়া নত্ত্রগা নেবাদা নত্ত্রগা জোর্জিয়াগী রনওফতা অহেনবা সিট অমখক ফঙলবদি হায়না ঙাইদুনা লৈবগা লোয়ননা সিনেটকী ফিভম হৌজিক লুনা লৈরিবনি। সিনেটতা দিমোক্রেটশিংনা রিপব্লিকানশিংদগী সিট অমা মুনবা ঙমখি।

করিগুম্বা পার্টি অনীমক্না টিকেট স্প্লিট তৌরবদি দিমোক্রেটশিংনা জোর্জিয়াগী রনওফতা মায় পাকপগী চান্স ৱাংনা লৈ। রনওফ অসিদা সিটিং সিনেট্টর পাষ্টর রাফেল ৱার্নওফনা ফুটবোল্লর এন্টি-এবোর্সন এক্তিভিষ্ট হার্সেল ৱার্করদগী য়াম্না মাঙজিল থানা লৈ।

এক্তিভিষ্ট ৱার্কর মহাক্কী মমাঙগী গর্ল ফ্রেন্দশিংনা এবোর্সনগা মরী লৈনবা ৱাথোক কয়াদা চেন্নে হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবনি। জোর্জিয়াগী সিট নত্ত্রবসু দিমোক্রেটশিংনা কালির্ফোনিয়াগী সিট ফংবা ফাওবা য়াই হায়রি।

মিট টার্ম ইলেক্সনশিংগী মতাংদা লৈরিবা জেনরেল ট্রেনদি ওফিস পায়রিবা প্রসিদেন্টমতম চুপ্পদা মীখলদা মায়থীবা নঙই। দোনাল্ড ট্রম্প মশামক ওফিস পায়রিঙৈ মতমদা মিট টার্ম ইলেক্সনদা সিট মশিং য়াম্না মায়থীখিবনি। তৌইগুম্বসুং হন্দক্তা প্রসিদেন্ট বাইদেননা ট্রেন অদু থুগায়বা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা দিমোক্রেটশিংনা সিট অমত্তা মায়থীবা নঙদবগা লোয়ননা সিনেটতা অহেনবা সিট অমা ফঙবা ঙল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা রিপব্লিকানশিং অপ্পর চেম্বর মখা তানা কন্ট্রোল তৌগদৌরি।

রুল্লিং পার্টি অসিগী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী সিট ১১ দমক রিপব্লিকানশিংনা মুনবা ঙমখি। হাউস অসিদা হৌজিক দিমোক্রেটশিংনা সিট ১৯৯ ফংবদা রিপব্লিকানশিংনা সিট ২১১ পায়বা ঙল্লি। দিমোক্রেটশিংদগী হাউস অসিবু অমুক হন্না পায়শিন্নবগীদমক গ্রান্দ ওল পার্টি অসিনা শুপ্পগী অহেনবা সিট তরেৎতমক মথৌ তারি। হৌজিক রিপব্লিকানশিংগী সিট ২১২ গী মায়োক্তা দিমোক্রেটশিংগী সিট ২২০ লৈ হায়রি।

# রেবেলশিংগী লান লাকশিন্নবা দিআর কোঙ্গোদা কেনিয়ন আর্মি দিপ্লোই তৌখ্রে

গোমা, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

ইষ্ট অফ্রিকান কম্যুনিটি (ইএসি) না অৱাং নোংপোক থংবা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ ড কোঙ্গো (দিআরসি) দা থোক্লিবা রেবেলশিংগী ভাইওলেন্স লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা মিলিটরি ইন্টরভেন্সনগী শরুক অমা ওইনা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অদুগী নোর্থ কিবু প্রোভিন্সকী কেপিটেল গোমাদা কেনিয়ন আর্মিগী কন্টিঞ্জেন্ট অমা থাংজ নুমিত্তা থুংখ্রে।

আর্মদ ফোর্সেস ওফ ড দি আর সি (এফ এ আর দি সি) গী ওফিসারশিংনা এয়রপোর্টতা ওকখিবা কেনিয়ন আর্মিগী কন্টিঞ্জেন্ট অদু এফ এ আর দি সিনা থা কয়া চুপ্পা মার্চ ২৩ মুভমেন্ট (এম ২৩) গী রেবেলশিংবু লাপ্থেংনরকখিবা রুদসুরু টেরিটরিদা দিপ্লোই তৌগনি।

গোমা এয়রপোর্টতা ট্রুপশিং অদুবু তরাম্না ওকখিবা এফ এ আর দি সিগী দিপ্যুটি চীফ জেনরেল চিকো চিতমৱেনা কেনিয়ন ইলিমেন্টশিং অদুবু লূরবা তানফম অমদা কোঙ্গোলিস মীয়াম্বু মতেং পাঙনবগীদমক্তা লাকপগীদমক থাগৎখি। এয়রপোর্ট অদুগী টরমেক্তা পাঙথোকপা ওকপগী থৌরমদা চিতমৱেনা হায়খি, মদুদি অফবা মরুপশিংদি খুদোংচাদ্রবা অমদি ৱারবা মতমদা মতেং পাঙবশিংবুনি। অদুনা রিপব্লিক অদুগী প্রসিদেন্টগী মহুৎ শীন্দুনা ঐহাক্না লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু মতেং পাঙবা লাক্লিবা নখোয়বু ইকায় খুম্নবা উৎলি। কেনিয়ানা রিজনেল হেভিৱেট ওইনা য়াওরিবা লৈবাক নিপানগী এফ এ সি ব্লোক্কী লুচিংবশিংনা হৌখিবা এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা মরু ওইবা মীফম অমদা দিআরসিদা সেক্যুরিটি হঞ্জিনহনবদা মতেং পাঙনবা অপুনবা ফোর্স অমা লিংবগী ৱাফম য়ানখিবনি।

# পিএম মোদিনা জি ২০ সম্মিটকী মরু ওইবা সেসন অহুমদা শরুক য়াগনি



জকারটা, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা পাঙথোকপা জি ২০ সম্মিটতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরু ওইবা সেসন অহুম হায়বদি ফুদ এন্দ ইনর্জি সেক্যুরিটি, দিজিটেল ট্রান্সফোর্মেসন অমসুং হেল্থকী সেসনশিংদা শরুক য়াগনি হায়না ন্যু দিল্লিদা ফোরেন সেক্রেটরি বিনয় ক্বাট্রানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অমসুং মসিনা থোকহল্লকপশিং য়াওনা মালেমগী মরু ওইবা চেলেঞ্জশিং পাক শন্না খন্ন-নৈনগদৌরিবা সম্মিট অদুদা শরুক য়ানবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়াগী সিটি বালি পাঙগনি। মেদিয়া ব্রিফিং অমদা ক্বাট্রানা হায়খি, মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি লুচিংবশিংনা গ্লোবেল ইকনোমি, ইনর্জি, ইনভাইরনমেন্ট, দিজিটেল ট্রান্সফোর্মেসন অসিনচিংবশিংগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং খন্ন-নৈনগনি।

সম্মিট অদুদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন, বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক, ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমান্যুল মেক্রোন, জর্মন চাঞ্চেল্লর ওলাব সোলস অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ফোরেন সেক্রেটরি ক্বাট্রানা হায়খি, মদুদি পিএম মোদিনা জি ২০ গী লুচিংবা খরগা বাই লেটরেল মীটিং কয়া পাঙথোক্কনি। ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা ইনভাইট তৌবদগী পিএমনা সম্মিট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি। ইন্দোনেসিয়ানা হৌজিক জি ২০ গী চেয়র ওইরি। দিসেম্বর ১ দগী ইন্দিয়ানা জি ২০ গী প্রসিদেন্সি পায়বা হৌরগনি।

জি ২০ নত্ত্রগা গ্রুপ ওফ ২০ অসি মালেমগী মরু ওইবা চাওখৎলবা অমদি চাওখৎলক্লিবা ইনকোমিশিংগী ওইবা ইন্টর গভর্ণমেন্টেল ফোরম অমনি। গ্রুপ অসিদা আর্জেন্টিনা, ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, কানাদা, চাইনা, ফ্রান্স, জমর্নি, ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ইটালি, জপান, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া, রসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সাউথ অফ্রিকা, টর্কি, য়ুকে, য়ুএস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) য়াওরি।

জি ২০ অসি গ্লোবেল জিদিপিগী চাদা ৮৫ রোম, গ্লোবেল ট্রেদকী চাদা ৭৫ হেন্না অমসুং মালেমগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনীরোম রিপ্রজেন্ট তৌরিবা ইন্টরনেসনেল ইকনোমিক কোর্পোরেসনগী প্রিমিয়র ফোরমনি। ইন্দিয়া অসি হৌজিক ইন্দোনেসিয়া, ইটালি অমসুং ইন্দিয়া য়াওবা জি ২০ ট্রোইকা (হৌজিক্কী, মমাঙগী অমসুং লাক্কদৌরিবা জি ২০ প্রসিদেন্সিশিং) গী শরুক অমনি।

# কোভিদ ১৯ মতুংগী রিকোভরিদা কো ওপরেসন পীনবদা মীৎয়েং চঙমিন্নবগী ৱারেপকা লোয়ননা অসিয়ন সম্মিটশিং লোইশিনখ্রে



নোম পেন, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মতুংদা সোসিও ইকনোমিক রিকোভরিদা মীৎয়েং চঙদুনা রিজনেল কোর্পোরেসন হেনগৎহন্নবগী ৱারেপকা লোয়ননা অসিয়নগী ৪০ অমসুং ৪১শুবা সম্মিটশিংগা লোয়ননা মরী লৈনবা সম্মিটশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা কম্বোদিয়াদা লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চত্থরকখিবা সম্মিটশিং অদু লোইশিনবগী থৌরমদা কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর সামদেক টেকো হুন সেননা হায়খি, মদুদি নুমিৎ মরিনি অসিগী মনুংদা ঐখোয়না অসিয়ন সেন্ট্রেলিটি হেনগৎহন্নবা অমদি ঐখোয়গী মপানগী পার্টনরশিংগা মরী লৈননা ঐখোয়গী ভেল্যু হেনগৎহন্নবগী হিরমদা মপুং ফারবা দিস্কসন মহৈ য়ান্না চত্থখি।

হুন সেননা মখা তানা হায়খি, মদুদি সম্মিটশিং অদুদা অসিয়ন কম্যুনিটিশিংগী পিল্লর ৩ কোনশিনবা আউটকম দোক্যুমেন্ট অমসুং দিক্লারেসন ৭০ মত অমত্তা ওইনা য়ানখি। দাইলোগ পার্টনরশিংগা কোওপরেসন পীননবগী তোঙান তোঙানবা ফ্রেমৱার্কশিংসু লৈবাক পুম্বনা য়ানখি। অসিয়ন কম্যুনিটি শেমগৎপগী মতাংদা সম্মিটশিং অদুদা অসিয়নগী ৫৫ শুবা এনিভর্সরিগা মরী লৈনবা অসিয়ন লিদরশিংগী ষ্টেটমেন্ট শৌগৎখিবগা লোয়ননা অসিয়ন লিদরশিংগী ভিজন ষ্টেটমেন্ট ওন অসিয়ন এ সি টি: এদ্রেসিং চেলেঞ্জেস টুগেদর অমদি অসিয়ন কন্নেক্টিভিটি পোষ্ট-২০২৫ এজেন্দাগা মরী লৈনবা অসিয়ন লিদরশিংগী ষ্টেটমেন্ট এদোপ্ট তৌখি।

অসিয়ন লিদরশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ইরাই নুমিত্তা অসিয়ন লিদরশিংনা টিমোর-লেসটিবু ১১ শুবা অসিয়ন মেম্বর ওইনা এদমিট তৌনবগী ৱাফম য়ানখি।

হুন সেননা হায়খি, মদুদি তোঙান তোঙানবা অসিয়নগী মেকানিজমশিংগী খুত্থাংদা ঐখোয়গী মপানগী পার্টনরশিংগা লোয়ননা মরু ওইবা দাইলোগ অমদি কোলাবোরেসন চত্থনবগীদমক্তা অসিয়ন সেন্ট্রেলিটি অসি য়াম্না মরু ওই হায়না ঐহাক্না মীয়াম পুম্নমক্তা খঙহনবা পাম্মী। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুন সেননা অসিয়ন চিয়রগী গেবেল অদু ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোদা শিন্নখি। এসোসিয়ন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) গ্রুপতা ব্রুনৈ, কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, লাউস, মালেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ অমসুং ভিএটনাম য়াওরিবনি।







